# ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড কপ মঙলান সাউথ কোরিয়ানা মরক্তা থদৎখ্রে

AFC U-16 CHAMPIONSHIP

কোলা লাম্পুর, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী) ঃ মলেসিয়ানা যূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোলা লাম্পুরদা লৈবা পেটালিং জয়া ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা চহী ১৬ মখাগী এ এফ সী ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াবু সাউথ কোরিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ানা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাই ওইনবা মঙলকখিবা মঙলান অদু ঙসি থদৎখ্রে।

ঙসি সাউথ কোরিয়াগা লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়াগী টিম অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা থোইবা, গিবসন অমসুং বেকি য়াওখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা সাউথ কোরিয়াগী টিম অদুনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তগা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক হেন্না চখবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী হাফতা বোল অদু য়াম্না তোয়না লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্ট তম্না সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা কাওশিনখিবা মশীংসু য়ামখি। অদুবু ইন্দিয়াগী গোলকিপর নিরজনা য়াম্না থৌনা ফনা লেপ্পা লৈতনা চথরকখিবা সাউথ কোরিয়াগী এটেকশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফনা কন্না হোৎনরবসু সাউথ কোরিয়ানা বোল পুশিনবা ঙমখিবনি। অদুবু অহানবা হফকী মিনট ৪৫ অদু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অহানবা হাফতগী ফজবা খরা হেনখি। মণিপুর মচা গিবসন্না টিম অদুনা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদগী লাকপা বোল অদু সাউথ কোরিয়াগী গোল তম্না কাওশিনখিবদা টিম অদুগী গোলকিপর সুংহুন্না য়াম্না ফজনা সেফ তৌদুনা পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জগা অমা মাঙজখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংসু বোল পায়বগী চাং হেনগৎলকখি। অদুবু শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়ানা পুশিল্লকখিবা বোল অমা কাওশিনখিবদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর নিরজনা অহানবা সোট অদু ঙাকথোকপা ঙমখ্রবসু মদুদগী থকতোকখিবা বোল অদু সান বিন্না কাওশিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইখি। লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা ইন্দিয়ানা ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ইন্দিয়া লৈহৌখি। সাউথ কোরিয়ানা সেমী ফাইনেলদা টাজিকিস্তানগা থেংনগনি। অদুগা জপান অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া অতোপ্পা সেমী ফাইনেলদা শান্নগনি।

# ৪৩শুবা চেছ ওলিম্পিয়াদকী ৬শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিম অনীমক দ্রো চৎখ্রে



বাটুমি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী)ঃ জিওর্জিয়ানা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ৪৩শুবা চেছ ওলিম্পিয়াদগী ৬শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ওপন (নুপা)গী টিমগা রসিয়াগী অমসুং নুপীগী টিম্না যূ এস এগা শান্নবদা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম্না ঙরাং রসিয়াগী টিমগা ৬শুবা রাউন্দ অদুদা লম্বা তৌনখি। অহানবা বোর্দতা ৱর্ল্ড টাইটল ৫রক লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দনা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিগা লম্বা তৌনখি। রেটিং পোইন্ট য়েংনরুবদা অনন্দনা পোইন্ট ২৭৭১নি অদুগা নেপোমনিয়াচিনা ২৭৬৮নি। মখোয় অনীগী লম্বা অদু মুভ ২০দা দ্রো চৎখি। অনীশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী পেন্টালা হরিকৃষ্ণ (২৭৪৩) অমসং রসিয়াগী ব্লাদিমির ক্রামনিক (২৭৭৯)দা লম্বা তৌনরকপদসু মুভ ৪৫দা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

অহুমশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী ভিদিট সন্তোস গুজরাথি (২৭১১) অমসুং রসিয়াগী নিকিতা ভিটুইগোব (২৭২৬)সু মুভ ৩১দা দ্রো চৎখি। অদুগা অঙৌবা মচু পায়দুনা শান্নরকখিবা রসিয়াগী দিমিট্রি জাকোভেনকো (২৭৪৭)গা ইন্দিয়াগী বি অধিবন (২৬৬৮)গা লম্বা তৌনবদা গেম অদুসু দ্রো চৎতুনা ইন্দিয়া অমসুং রসিনা পোইন্ট ২/২ য়েন্নখি। ওপন (নুপা)গী টিম রেঙ্কিংদা ৬শুবা রাউন্দ লৌশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিম ১৪শুবা পোজিসন্দা লৈরি। অজরবাইজাইনগী টিমনা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈরি।

নুপীগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী টিম্না ৬শুবা রাউন্দ অদু রসিয়াগা লম্বা তৌনখি। অহানবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী কেনেরু হম্পি (২৫৫৭)গী যূ এস এগী অনা জাটোনস্কি (২৪৩১)দা লম্বা তৌরকপদা অঙৌবা মচু পায়দুনা গেম অদু মায়পাকপা ঙমখি। অনীশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী দ্রোনাভালি হরিকা (২৫০০)গা যূ এস এগী ইরিনা ক্রুস (২৪২৩)গা শান্নরকপদা মায়থীবা নংখি। অদুবু অহুমশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী টানিয়া সচদেব (২৪০০)না টাটেব অব্রাহময়ান (২৩৬১)গা লম্বা তৌনবদা মায়পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অদুবু অরোইবা অমদি মরীশুবা বোর্দতা ইন্দিয়াগী ইসা করাবাদে (২৩৭৪)দা যূ এস এগী জেনিফর য়ু (২২৬৮)কা লম্বা তৌনবদা মায়থীবা নংদুনা ৬শুবা রাউন্দ অদু ইন্দিয়া অমসুং যূ এস এ পোইন্ট ২/২ ফংমিন্নখি। নুপীগী মকোক মথংগী পরিংদা ইন্দিয়াগী টিম ৫শুবদা লৈরি। গ্রুপ অসিদা যূ এস এগী টিম্না খ্বায়দগী মকোক্তা লৈরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০

১। ষ্টোন দ্রেগোন টাউন করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি ?
২। পেলে অমসুং বেকেনবরনা মীচং ওইবা ফুটবোল টিম অমনা চাইনাগী ফুটবোল টিমগা করম্বা চহীদা মেচ শান্নখিবগে?
৩। অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি।
৪। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা 'এ সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড' হায়বা সার্টিফিকেট অমা পীখি। ঐ কনানো?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ১) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক | (৫) |
| ২) এম বুধ, চীংঙামখা | (৫) |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৯গী ৱিন্নর

এম বুধ, চীংঙামখা (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

ওক্টোবর ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯গী পাউখুম

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পান্থা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্তুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু। :- WEIQI or GO

২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো? :- BENJAMIN SPOCK

৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু। :- MANIPUR SPORTS ASSOCIATION

৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্কালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্না নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থল্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্কালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্কালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো? :- NICOLAOS GEORGANTAS

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- ANKITA RAINA

# চাইনিজ টাইপৈ ওপনদা জয়ারাম অমসুং সৌরব ভর্ম্মনা ইন্দিয়াগী টিম লূচিংগদৌরি

টাইপৈ সিটি, ওক্টোবর ০১(এজেন্সী)ঃ হয়েংদগী চাইনিজ টাইপৈগী কোনুং টাপৈ সিটিদা হৌগদৌরিবা যূ এস দোল্লর ৫০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম অদু নুপাগী এক্সপরিএন্স লৈরবা অজয় জয়ারাম অমসুং সৌরব ভর্ম্মনা লূচিংগদৌরি।

থা অসিদা দেনমার্ক ওপন (ওক্টোবর ১৬-২১) অমসুং ফ্রেন্স ওপন (ওক্টোবর ২৩-২৮) লৈবা মরম্না ইন্দিয়াগী মরু ওইবা শান্নরোয় পি ভি সিন্ধু অমসুং কিদম্বী স্রিকান্ট চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারোইদৌরি।

ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম মমাংদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱর্ল্ড নম্বর ১৩ ফাওবা য়ৌরম্লবনি। মহাক হেমষ্ট্রিং শোকলুরবা মতুং কম্পিটিসন শরুক য়ারকপদা যূ এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈখিবা ভিএটনাম ওপন অমসুং যূ এস দোল্লর ২৫,০০০গী শেলগী মনা লৈখিবা হ্বাইট নাইট ওপনগী ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখি।

জয়ারামনা চাইনিজ টাইপৈ ওপন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় হাসিরু সিমোনোগা লম্বা তৌরগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৬৬ সৌরব ভর্ম্মনা চহী অসিগী জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা যূ এস দোল্লর ৭৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা রসিয়ন ওপন বেদমিন্টনগী টাইটল লৌবা ঙমখি। মহাক মমাং থাদা লোয়শিনখিবা ১৮শুবা এসিয়ন গেমসতা ক্বালিফাই ওইদুনা শান্নবা ঙমখি। ভর্ম্মনা চাইনিজ টাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা যূম্বু লৈবাক্কী শান্নরোয় লি সিয়া হাওগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রাহুল যাদব চিতাবোইনানা অহানবা রাউন্দদা টাইৱানগী লু সিয়া হুংগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা অভিসেক য়েলিগরনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় দেনমার্কী জান ও জোরগেনসেনগা অহানবা রাউন্দ থেংনরগনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সাই উটেজিথা রাও চুক্কানা চাইনিজ টাইপৈগী সিয়াঙ য়িং লিগা থেংনগনি। মুগদা এগ্রেনা ৭শুবা সিদেদ সোনিয়া চেয়েগা লম্বা তৌগনি। স্রি কৃষ্ণ প্রিয়া কুদারাভিলিনা যূম্বু লৈবাক অদুগী লিন য়িং চুনগা শান্নগনি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী তরুন কোনা অমসুং মলেসিয়াগী লিম খিম ৱানা মলোসিয়াগী পেয়র ওং য়িউ সিন অমসুং টিও ঈ য়িগা অহানবা রাউন্দ শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপীগী দবলস অমসুং মিক্স দবলসকী শান্নরোয় অমত্তা শরুক য়াখিদে।

# জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জিস চাইনা ওপনগী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে



বৈজিং, ওক্টোবর ০১(এজেন্সী)ঃ চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা লৈবা নেসনেল টেন্নিস সেন্টরদা পাঙথোকপা চাইনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী নুপীগী সিঙ্গলসতা জর্মনিগী শান্নরোয় জুলিয়া জোর্জিস অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

জুলিয়া জের্জিসনা মহাক্কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা য়ক্রেনগী শান্নরোয় লেসিয়া সুরেনকোগা লম্বা তৌনরকপদা সেট অমমম মান্দুনা লৈরম্বদগী অহুমশুবা সেটতা গেম ২-২ মান্নদুনা লৈরিঙৈ সুরেনকো মেচ অদু মখা তানা শান্নবা ঙমদনা পোত্থাখিবদগী মেচ অদু জোর্জিসনা থোইদুনা ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মেচ অদুগী অহানবা সেট জুলিয়া জোর্জিসনা ৬-৪দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা সুরেনকোনা অমুক ফজরক্তুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট ১-১দা লৈনখিবনি। অদুবু অহুমশুবা সেট অদু লোয়শিনবা ঙমখিদবদগী সুরেনকো লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ ওইরিবী জোর্জিসনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক ৩শুবা রাউন্দদা জপানগী এন ওসাকা অমসুং যূ এস এগী দি কোল্লিন্স অনীগী অথোইবদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- নেদরলেন্দকী টিমিয়া বাবোস অমসুং চাইনাগী স্বাই ঝাং, জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভা অমসুং বেলারসকী অলেকজেন্দ্রা সাসনোবিচ, চাইনাগী কিয়াং ৱাং অমসুং লাটভিয়াগী এলেনা ওষ্টাপেনকো, জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারো, স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভা, যূ এস এগী স্লোনে ষ্টেফেন্স অমসুং চাইনাগী সাই সাই ঝেং, লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভা অমসুং যূ এস এগী মেদিসন কিস অমসুং টুনিসিয়াগী ও জাবের অমদি ক্রোসিয়াগী দি ভেকিকনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলূপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি যূ এস এগী সাম ক্বোরিবু ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বা রসিয়াগী করেন খাচানোব, ক্রোসিয়াগী বোরনা কোরিকপু ৭-৫, ৫-৭, ৭-৫দা থোইরম্বা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ, ইটালিগী এন্দ্রি সেপিবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বা হঙ্গেরিগী মারকস ফুকসোবিস, জর্মনিগী পি গোজোস্কিবু ৩-৬, ৬-১, ৬-২দা থোইরম্বা গ্রেট বৃটেনগী কাইল এদমুন্দ অমসুং কানাদাগী ভি পোস্পিসিলবু ২-৬, ৬-৪,৬-৪দা থোইরম্বা সার্ভিয়াগী দুসান লাজোবিসনি।

